হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ১৭, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৮৬শুবা মশীং

# নমাঙসু লাং নতুংসু তেন করি তৌরগা থোক্লোইদগে

মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী পুৱারীসি ওন্থোক্লা শাংখ্রে। লাইগা শম্নরম্বা পোইরৈতোননা খুন্থোক্লম্বা য়াওনা লাই মরক্তগী অথোইবা ওইরিবা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা নিংথৌ ওইরকখিবদগীনা মহারাজ বোধচন্দ্র ফাওবদা নিংথৌগী লৈঙাক লৈরম্বগী শাংলবা পুৱারী অমা লৈখ্রে। মরক্তুদা কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবনা অৱাগী মখাদা চহী ৭ খুন্তাক্লুরে। কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৩দা খোংজোম লান মায়থীবদগী বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা লৈরুরে। কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪-১৫ লোন্নবা অহিংদা বৃটিশনা থাদোক্লম্বদগী মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭ শেমদুনা নীংতম্লবা মণিপুরগী অহানবা মীখল ফাওবা পাঙথোকখি। অদুবু সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা ইন্দিয়াদা পূনবগী মর্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদগী ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরকখ্রে। মণিপুরনা 'পার্ট-সি' ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরক্লবা মতুং জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দগী মপূং ফাবা ষ্টেট ওইরকখ্রে। মপূং ফাবা ষ্টেট ওইরকখিবদগীনা হৌজিক ফাওবগী মরক্তনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল ১২ লক পাঙথোক্তুনা দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টকী সিষ্টমসিদা লৈবাক লৈঙাক্লোনগী থবকশিং চত্থরক্লি। নিংথৌ পানববু ওইরো, মীয়াম্না খঞ্জবা মখোয়গী মীহুৎশিংনা লিংবা লৈঙাকপু ওইরো মীয়ামগী লৈঙাক পায়দুনা ৱায়েল থৌদা চত্থরকখিবা অমসুং চত্থরিবসি মীয়াম অমসুং লৈবাক্কী মপুনি। লৈবাক মীয়ামগী থৌদাং পূন্নমক মখোয়না লৌগদবনি। মখোয়না ঙাঙবা ৱা, লৌখৎলকপা থৌরাং, হৌদোরকপা থৌশিল, পাঙথোরকপা থবক পূন্নমক মীয়ামগীনি, মীয়ামগী ওইগদবনি, ওইদুনসু লাক্লিবনি, মখা তানসু ওইখিগদৌরিবনি। মসিমক্লা মতম-মতমদা লৈখিবা লৈঙাকশিংনা মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংগী থবক-থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাকই। মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংনসু তৌখি, হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লসু তৌই। অদুগা তৌরিবা থবক পূন্নমকসু লৈঙাক পায়রিবা মখোয় খরগীসু নত্তে, লৈবাক মীয়ামগীনি।

অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি করিগুম্বা মতমদা মীয়ামগী লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাক্লোইশিংনা 'নমাংসু লাং, নতুংসু তেন' হায়বগী ফীভমদা হেক-হেক লৈরক্লিবা করিগীনো? মসিগী মরমশিং করিদগী ওইগদগে? মস্বাইদা লৈঙাক্লোইশিংগা মীয়ামগা পূন্না ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। চুম্না হায়নীংবা খক্তগী ৱাফম নত্তে, 'নীদ ওফ দি অৱর' ওইরবা ফীভমনি হায়নীংই। মরমদি মণিপুর শোত্থবা ষ্টেট অমা ওইবগী হৌনবা নৌহৌননা শেমগৎ-শাগৎকদবা থবক-থৌরম ময়াম লৈ। ইনাক খুনবা ১০না লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে হায়বদুগী ফীভমদুমক্লি হায়রবা ফাওবদা হেঞ্জিনবা থোক্লরোই হায়নীংই। অদুগা ষ্টেটকী ওইবা শেন্থোক/রিসোর্সসু মরাং কায়না লৈজদে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক হৌদোকপা প্লান, প্রোজেক্ট অমসুং স্কিমশিংদগীসু মণিপুরগী লৈজরিবা মীশিংগী মতুংইন্না পীরকপা চাকথুংদগী হেন্না লৌরুবসু য়াদে, ফংসু ফংদে। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী ওইনা লেপ্লকপা পাদমদুগী মখাদা ফংফম থোকপদু খক্তমক ফংবনি। মসি ওইরগদি মণিপুরগীদমক অমসুং ষ্টেট অসিবু অতোপ্পা চাওখৎলবা ষ্টেটশিংগী মরক তিনবা ঙম্নবা লৈঙাক্লোইশিংনা অমসুং মীয়াম্না কৈদৌবা তাবগে? তোঙান তোঙান্না তৌনগদবশিংনা করি করিনো? অনী খূৎশম্নরগা তৌমিন্নগদবশিংনা করিনো হায়বসি খন্থমিন্নগদবনি। খন্থনবদি হোৎনবা য়াওরমগনি। অদুবু মশীং য়াম্নসু উদে, খূৎশম্নবগী ময়েক শেংবা মমিসু উবা ফংদে। মসিদগীদি লৈঙাক্লসু অকক্লবা মতমগী মনুংদা মপূং-ফানা লোইশিনবা ঙম্লোই খঙলবা থবকশিং ফাওবা খূৎচাও থাদুনা লামশিল্লগা পায়শিল্লি, থবক হৌজিল্লি। অদুবু মপূং ফানা পুন্লোই লোইশিনবা ঙম্বগী পাঙ্গলদুদি লৈতবনিনা খাঙতপ্তা লেপ্তুনা লৈথোকখি। ফীভমদুদদি হকথেংনরিবা মীয়াম্না লৈঙাক্তা ওনশিল্লকই, চিন্দা-পৌদানরকই। লৈবাক ঈরাং থোক্লবগী মচাক ওইরকই। লৈঙাক্লসু মীয়ামগীনি হায়রগসু মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙমগদবা থবকশিং খক্তমক মচিন মৈ মুগদবনি। অমসু অমসু উশোপ-ৱাশোপ তৌদুনা লামশিল্লোইদবনি। মীয়াম্নসু মখোয়গী মপী-মপা ওইরিবা লৈঙাক্কী মপাঙ্গলগী ফীভম মুন্না খঙগদবনি। ইমা-ইপানি তানফম থোকই, হায়ফম থোকই হায়দুনা মতিক-মপা চাদবা, পুবা-থাংবা ঙম্লোইদবা দিমান্দশিং তৌরোইদবনি। মসি পূন্নমক থোক্তনবা লৈঙাক্লসু থবক পূন্নমক তরেৎ-তরা থোক্লা খন্থরগা তৌহন্নীংই।

**ওন্নখিবা**

পাউচে অসিগী ঙরাংগী লমাই অসিদা ফোঙখিবা ***"মোলিবদেনমনা লৌউ-শিংউবদা লৌরিবা থৌদাং"*** হায়রিবা আর্টিকল অসিগী অইবা ***ডো. সরাংথেম জেসমারানি*** হায়খিবা অদু ***ডা. ৱাইখোম জিতেন*** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।
- **প্রুফ রিদর**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১) **"অথুইলুগী মঙলান"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মসিনা ঐগী সাক্ষীনি"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) **"জয় জয়ন্তী"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) **"মিংশেলদা লৈচিল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"অঙাংগী লীলা মচা খরা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৪)

***২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (২,৩,৪)***

৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩)

৪) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ - (৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫৭কী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# জুকো ভেল্লি

## হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩৬

## জিতেন নামৈরাকপম

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা থেংনরিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে হায়বা তাই। হৌখিবা থৌদোক কয়া, হৌজিক থেংনরিবা অমদি তুংদা ওইরকপা য়াবা ফীভম খঞ্জিল্লুবদা অৱাবগী মশকনি। লোইবা খম্বা নাইররোইদবা ইস্যু কয়ানা পীক থন্না লৈরি। হৌজিক ফোং ফোং শানা এজিটেসন, ষ্ট্রাইক হায়গদ্রা প্রোটেষ্ট হায়গদ্রা ময়ামসিগী মনুংদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ঈরাং, এদ্যুকেসন (য়ু) গী ফম মুন্নবনা এলেভেন, ত্বেলভকী ফাইনেল এগজাম থারগদবা মহৈরোয়শিংগী পূক্লিংদা চরাংনবা, য়ু লিগেলাইজেসন তৌখিবগী মায়োক্তা নিশা বন্দগী খোঙজং, মহৈরোয়শিংগী স্কোলরশিপ পীথোক্তঃবদগী খোয়শাওনরবা মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ, মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা লেপ্তুবা খোঙজং... পনবদা লোইবা খম্বা নাইবা নত্তে। শোমদনা অমুক সাউদর্ন অঙ্গামী কাঙবুনা



জুকো ভেল্লি পুল্লপ মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌবদা মণিপুরগী মাও কাঙবুনা য়াদবদগী মাওশিংবু ওৎপী-নৈবীবা ওন্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রবা ফীভমনি।

হৌখিবা খৃষ্টমাসকী মমাঙ দিসেম্বরগী তারিখ ১৫দা ওইরমগদ্রা খল্লি য়ূমথংনবা নাগালেন্দদা তাবা মীশিং য়াম্না খুল্লিংনা লৈবা ঐখোয়গী মণিপুরগী মাও ইচিল ইনাওশিংবু নাগালেন্দদা চঙবা থিংখিবদু। মণিপুর তম্না চঙলকপা পোৎ চৈ পুদুনা লাকপা লোরি অমাঙ অতা থোকহনখি। মণিপুররোমদগী নাগালেন্দ মচা অনী থিনবা চৎলুবা ওটো দ্রাইভর অমসু ঈ তানা ফূবিখি। অঙ্গামিশিং অদুনা মাওগী য়ূম মঙাদা লৈবা ইমুংগী মীওইশিংসু তান্থোকপীরকখি। মাও মচা অমত্তা লৈবা য়ারোই হায়বগী কুইট নোটিশ পীবনি। অমরোমদা অঙ্গামীসু, মাওসু নাগা মশেল ঙাক্তনি খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম চৎমিন্নরিবনি। সাউদর্ন অঙ্গামী পিপলস ওর্গনাইজেসন (সাপো) না অসুম্না ইনহ্যুমেন ওইবা থৌওং চত্থখিবদু প্রভু যিশুগী থৱায়না য়ানীংলমগদ্রা? মখোয়বু ঙাকপীগদ্রা? সাপোগী বন্দনা মরম ওইরগা নাগালেন্দ মনুংদা লৈবা মাও কয়া অমা খৃষ্টমাস য়াওবা ফংলম্লোই। মীয়াম্না হেন্না খঙবীরিবদুনি মাওদগী কোহিমা নৎত্রগা দিমাপুর চৎপা য়াবা লম্বীসি নেসনল হায়ৱে হান্না নম্বর ৩৯ হৌজিক্লা নম্বর ২ অসি নত্তনা অতৈ চৎফম লৈতে। চহী অমদা অমুক্তং পাঙথোকচবা খৃষ্টমাস নাগালেন্দদা লৈবা মাও খরদা নত্তে চৎপা কিবদগী য়াওবা ফংখিদবগী পাউদম লৈ। মীগী শুমাং ফাওরগা চৎপগী অৱাবা হায়ববু অসিনি। উচেক্লুম্না মথক্তা পাইরগা লাকপা য়াবসু নত্তে। খুনুনা মথোঙদা কল্লি হায়বগী মওংদা অঙ্গামীগী কাঙবুনা জুকো ভেল্লি কল্লকপগীদমক মীবু অসুম্না ওৎপদি হৌজিক্কী মতমদা চৎনদ্রবনি। থায়না থায়নগী বার্বরিক এক্সননি হায়বদা লাল্লরোই। মরক অদুদা দিমাপুরদগী মহৈরোয় ৫৫ মণিপুর লৈঙাক্লা শিনবীদুনা স্পেসল ফ্লাইট অমদা ইম্ফাল তম্না পুরকখিবদুদি থাগৎনীংঙাইনি। জুকো ভেল্লিগী শরুক অহুম থোকপগী অনীনা মণিপুরগী মেপ্তা য়াওদুনা লৈরবদু মূথৎলগা অনৌবা মেপ অমা য়েকপা য়াবসু নত্তে। মদু মক্তদা সাপোনা অদুম্মক য়েৎতুনা লৈরিবা অসিসু অঙকপনি হায়নীংই।

ঐদি ঈরাং অদু তূমিন লৈখ্রে নেমথখ্রবরা খল্লুরবনি অদুবু ঈরাংদি লোইদ্রি, ৱারোইশিন পুরক্তি হায়বসি খঙলকই। অরুনাচল প্রদেশকী খোঙচৎতা মাও ফাওদুনা চৎপদা থেংনরকখিবনি। সর্ফেস ত্রান্সপোর্টতা মণিপুরগী ৱাংমা লান্না চৎখিদবসি ফনা কুইরবনি। কার তোংদুনা ঐখোয় অহুম চৎখিবা খোঙচৎতা লম্বীগী ফীভমদি অদুক হাক্লা নুংঙাইবা হায়বদুদি য়ৌদ্রি। মফম খরদা নান্না মখোল থোক্তনা এরোপ্লেন তোংবগুম চৎপা, মফম খরদনা অমুক জর্কিং মরক্তা, উফুল মরক্তা মরুভুমী দেজার্টতা থৌবগুম গাড়ীগী দোর গ্লাস চিংখত্তবদি য়াদবা অসুম অসুম থৌবনা মাও লান্থোকখি। ইন্নর লাইন পর্মিট লৌনবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর হায়গদ্রা নৎত্রগা মণিপুরদা নৌনা চঙলকপশিংনা আই এল পি লৌনবগীদমক পরেং শানা ক্যু লেপ্নহৌবদু থেংনরকই। মাও গেটতদি আই এল পিগী থবক মওং তানা তৌবা কূপ্না শেন্নহৌবগী মমি তাহৌই। নাগালেন্দ লানশিল্লকপদা উফুল অমুক হৌরে। কুইরবগী মমাঙদা চৎপদা নাগালেন্দগী লম্বীসি কোয়লাস থানা থারগা শূৎ নালহৌবা এরোপ্লেন তাবা য়াগদবা মালহৌবদু ফনা শাংনা উফুলগী উফুলমক্তা, নোংগা চুরকপা মতমদদি ফজরম্মনি কোয়লাস মহী থোক্লমগনি। অসুম্না খনখি। কোহিমা য়ৌরমদাইদগী কোয়লাসনা শূৎ অমুক নালহৌই। ইহে, ইনীংবদু কাল্লগা কোহিমা য়ৌথোকখ্রে। খুজুমাগা হুন্দোক্লম্লে। মাও খজিক্তং লানশিল্লকপদা কিলোমিটর খরা থৌরকপদা সিভিল দ্রেসতা নহা অনী ফন ফন চোংথোরকই। গাড়ী খান্লকখি। গাড়ী মনুংদা মুন্না য়েংলকই। গাড়ীগী মিংশেল চিংথরগা হায়রম্মী ইম্ফালদগীনি। ঐখোয়গী শক উবদা অদুম্মক খঙবজাৎনি ঐখোয় মাও মচা নত্তে হায়সি। সাপোগী কাঙবুনি গাড়ী খান্লকখিবদু, ঐখোয়গী মরক্তা মাও মচা অমা য়াওরম্বা তারগদি করি থোক্লগবা তম্বা ঙম্বা নত্তে। হৌজিকসু সাপোগী কাঙবুগী ভোলন্টিয়রশিংনা রোষ্টর সিষ্টমদা লম্বীদা চৎপা মীওইশিংদা মাও মচা য়াওব্রা হায়বদু কূপ্না চেকশিন্না চ্যেক তৌরি হায়বগী মমি তাহৌই।

মাওগা নাগালেন্দগগী বাউন্দরিগা তায়নবা অসোমদা জুকো ভেল্লি লৈরে হায়বদি চাওরাকপা মফম অমা খঙলগসু মফম অদুদা অমুক ফাওবদি য়ৌরুদ্রি। চীংসু কারুদ্রি, অশেংবা অশাৎপা জুকো লিলিসু থেংনদ্রি। তৌবতবু ফোটোদা, করিদা, ভিদিও নৎত্রগা দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগুম্বদা কয়ারক উবা ফংখ্রে। হৌজিক্লা অমুক ইখূৎতা পায়রিবা মোবাইল স্মার্ট ফোন্দা য়েংনীংবদা উনিংবতা উবা ফংলে। লেন্দ স্কেপ, লোইরোই হাইথরকপা চীংশাং পরেং, ময়ায়দা চেনবা তুরেল, চীং অমদি ভেল্লিদা হৌবা ফ্লোরা ফৌনা অদুগা জুকো লিল্লি টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং চিংশিনফম ওইরবা খ্বায়দগী ফজরবা টুরিষ্ট স্পোটশিংগী মনুংদা অমনি হায়নরি। হৌজিকপুদি মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরগী জুকো ভেল্লিগী শরুক ঙাক্লবগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্সকী কেম্প হাংদোক্তুনা ঙাকে শন্দুনা থমখ্রবা মরম্না অঙ্গামীশিং হাইজিল্লকপা য়াররোই। মখোয় পাম্বে লৈররোই। তৌবতবু থিঙেন্দা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনৈ হায়বগী মওংদা মণিপুরগী বোর্দর ঙাকচরিবা মাওদা তাইনদুনা ওৎপী-নৈবীরিবসিদা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মতম থেংমল্লে। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০১

## ৱাখল ইহুল

## সোরাম ইবোহল লুৱাং

হিন্দু লাইনীং চৎপা লমদমসিগী হৌজিক চৎনরিবা গোত্রসি মৈতৈ/মীতৈগী অশেংবা লাইনীং লাইশোন চৎপশিংগী য়েকসিদগী ওন্থোকখিবনি। অদুনা য়েক্কা গোত্রগা মশা অমত্তনি হায়না লৌগনি। অদুবু য়েক্কীদি য়ূম্নাকশিং লৈ। গোত্রগী মখাদা অকক্লবা য়ূম্নাকশিং লৈতে। গোত্রগী তাংজফম য়েক্তা ওই। খুদম, অহন্থেম/নোংথোম্বম, সোরাম/অরাম্বম, ওইনাম/ঙাংবম হায়রিবা য়ূম্নাকশিংগী মখোয় মশানা গোত্র খঙদ্রে অদুনা খঙনবা হোৎনবদা হান্না য়ূম্নাকশিংদুগী য়েকশিং করিনো হংগনি/খঙগনি। য়েক খঙলবা মতুংদা য়েক্তুগা চানবা গোত্রশিং খঙগনি।

অহন্থেম/নোংথোম্বম - মঙাং/নিংথৌজা য়েক, মঙাং য়েক্কী গোত্রদি শান্তিল্যনি। সোরাম/অরাম্বম - লুৱাং য়েক, লুৱাং য়েক্কী গোত্রদি কাশ্যপনি। ওইনাম/ঙাংবম খুমন য়েক, খুমন য়েক্তি মৌদগ্য/মধুগৈল্য গোত্রনি।

☞ মরম অসিনা "মশা মশাগী য়েক্তা শোল্লগা কৎপনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।"

অনীশুবদা, ইস্কোনগীদমক্তদি মখোয়গী কনাগুম্বা/কনাগুম্বী অমা শিখিবগী থৱায়মিরেলশিংনা কৎলিবা পোৎতু লৌনবগীদমক্তদি মখোয়গী লাইনীং লীচৎকী মতুংইন্না তৌবদা অদুম লৌই হায়না লৌবনা মখোয়গী ওইবা মওংদা তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

অদুগা মুকশন লাইনীং লীচৎকীদমক্তদি শিরবা অমবু লম্বোইবা/লম্বোইবী হায়বদু ওইরে হায়না লৌনবা 'বেষনাম' পীবগী থৌওং/কাঙলোনদু সাইন্টিফিক ওইদবনা হায়বদি ইস্কোনদুম্না তৌদবনা ঈনাৎকী য়েক্কীদা শোল্লগা কৎপদুনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মুকশনগীদা তৌরিবসিদি অরেম্বদা শেল মাঙহনবনি।

**লমদমসিগী খুন্নাইদা থাজবা লাই অমদা লুক কৎপগী তৌনবা কাঙলোন :-** হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লাইদা লুক কৎপসি চৎন-লোনচৎ অনীদা তৌনরি হায়না থমজগে। অহানবদা, ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগী ওইবা মওংদা লুক কৎপা। অনীশুবদা, মীরমগী লাইনীং লাইশোন শেমদোক্লবা মতুংদা মমিং অমা থোনজিল্লগা মদুগী চৎনবীগী মতুংইন্না লুক কৎপা।

তিনশোন-লাইশোন মান্নদ্রবসু মান্নবা থৌওং/কাঙলোন অহুমদি লুক কৎপা, মথংদা ফীভমগী মতুংইন্না মৈরা কৎপা অদুগা লৈ কৎপা/করিগুম্বা পাঙগদৌরিবা থৌরমদুগা মরী লৈনবা ৱারী/লাইরিক তাবা/তৌবা য়াওরবদি মৈরানা লুক্কী মতুংদা তৌরগা লৈ কৎপনা কোনবা অদুম তৌনৈ। য়াওরোইদবা ওইরবদি লৈ কৎপনা মরক্তা তৌরগা মৈরা কৎপনা কোন্না অদুম তৌনৈ। মৈরা কৎপা মতমদনা - ঈনাৎকীদদি উচালগী খায়দোক্লবা মকক মচা ১৮না অয়াম্বা কৎনৈ। মীরম লাইনীংগীদনা বর্ত্তি হায়দনা মৈচাক ওইনবা লশিংনা তারগা শেম্বা মশীং ১০৮না অয়াম্বা কৎনৈ। ঈনাৎকীদদি লৈ কৎপা মতমদা মপুম ওইনা কৎলি। মীরম লাইনীংগীদদি লৈ শেগায়রগা অয়াম্বা মতমদা কৎলি।

কনাগুম্বগী ইমুংদা মী অমা লৈখিদবা মতমদা থা থাগী ওইনা লুক কৎকে হায়রবদি লৈখিদবা থাদুগী থবান তাবা খুদিংদা কৎলি। কুমওন ফিরোই অমদি কুমওন ফিরোইগী মতুং তারকপদা চহীগী ওইনা লুক কৎপা মতমদা লৈখিদবা থাদুগী থবান্দুদা - কুমওন ফিরোইগী ওইরগনা লৈখিদবা মতুং নুমিৎ ৩৬০ হেক শুবদা কৎলি। হায়রিবশিংসিদি ঈনাৎ-মীনাৎ চপ মান্নে।

ঈনাৎকী চৎনবীদা লুক কৎপদা থৌওং অনী থোক্লা খন্নবা য়াই। য়ূমদা লুক কৎপা তারবদি শোন্নপুংগী ময়ায়দা/মফম চাবা অমদা ফম্বাল মচা অমা লিংগনি। মদুদা তেংপানবা মপুগী ফম্বাল অমা ফি অঙৌবা থারগা ফিরোই ফিঙাম অশুবা য়াওনা শেম শাগনি। ফম্বাল মচা অমা ইরাৎপগী লাইরোল শোল্লগা তেংপানবা মপু ফম্বাল থক্তা লেংশিনবীরে হায়না লৌগনি। অদুগা লুক কৎপা, লৈ কৎপা, মৈরা কৎপা/মৈরা কৎপনা ময়ায়দা তৌরগা লৈ কৎপনা কোনবা - মফম মতমগী ফীভমগী মতুংইন্না অহান অকোন নায়বা য়াই। লাইফম্লেন অমদা ওইরবদি লাইফমলেনদুগী চৎনবী মতুংইন্না লুক কৎপনচিংবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। লাংপন লুক কৎপা য়েক ৭কী ওইনা তৌরবদি য়েক ৭কী পুকোকশিংদা লুক ৭সু কৎলগা মরী লৈনবা ইয়েকচাশিংনা মাগী মাগী পুকোকশিংদা লৈনচিংবা কৎলগা য়াইফ থৌনি নিজবদা অচং থোঙ হাংবীরগা অশি থোঙ থিংবীনবসু হায়জদুনা পুনেমজৈ।

মীরম লাইনীং লাইশোন লীচৎকীদা ঐখোয়না খঙজ উজবদা মন্দির (শঙলেন) মনুংদা লুক কৎপা মতমদা পূন্না মতম অমত্তদা মৈরা/অরাতিগা পূন্না কৎলগা অদুম লোইরে। তোঙান্না গোত্র গোত্রগী ওইনসু কৎতে, লৈসু কৎতে। কনাগুম্বগী য়ূমদা কৎপা ওইরবদি লাইশঙ/মন্দিরগী লাই অমা মরু ওইনা গৌরাঙ্গ মহা প্রভু লেংলক্লগা হায়বদি বামোন অমনা থাংদুনা পুরক্কনি। অদুদগী লুক কৎপা, মৈরা কৎপা, লৈ কৎপা নৎত্রগা লৈ কৎপনা মরক্তা তৌরগা মৈরা কৎপনা কোনবা - মফম, মতম অমদি খুদোংচাবগী মতুংইন্না তৌনৈ। হকচিনবা থৌনি থৌরম ওইনা উদে।

"মথক্তা পনখিবা লুকনচিংবা কৎপগী থৌরম অনীসিদা ইনাৎকী ওইবা থৌওং/কাঙলোনসিনা ফজবদা নত্তনা সাইন্টিফিক ওইবসু হেল্লি। মরমদি য়েক ৭ লৈরিবসিগী ঈয়েকচাশিংনা মশা মশাগী য়েক্কী পুকোক মশক খঙনা কৎচরগা নুংঙাই য়াইফবা, অৱা অনা লৈহনবীদনা চাওখৎপবু ওইহনবীয়ু হায়না মরী লৈনবা য়েক্কী পুকোক্তা খুরুম খাজংজরগা থৌনিজবনি। মখা তাবদি খুন্নাইগী মীয়াম্না খনবীরগা অচুম্বা অফবদু লৌবীয়ু/তৌবীয়ু হায়না নোল্লুক্লা ৱাফমসি থমজরি।" ●